# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমদি ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট

— ডা. আর কে সনাহল —

***ওগষ্ট*** থা অসি মণিপুরগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা থানি। পুৱারীগা শাগোন্নখিবা মরু ওইবা থৌদোক কয়া থা অসিদা থোকখি, পাঙথোক্লখি। অমরোমদা থা অসিবু মীতৈ ইপা ইপুশিংনা থৱান থা, অৱা-অনা থা হায়না য়াম্না লুনা লৌনদুনসু লাকই। নুংশাগী মৈশাসু হাইগৎতনা শাগৎলকপা মতমনি। মথং থাদি লাংবন থা হায়দুনা লাক্কদৌরি। তপ্না তপ্না শারম্বা নুংশানা নেমথখিদুনা নিংথমথা চঙলক্কদৌরি। ওগষ্ট থা অসিবু মরু ওইনা লৌনরিবসি নীংতম্না হান্না লৈজরম্বা মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখিবা মরৈবাক মরমদমগীদমক্তা নোক্লা থৱায় কৎখিবা মরু ওইবা মীওইশিংগী মনুংদা টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল অমদি অতৈ মীওইশিং ওগষ্ট ১৩ দা ফাঁসি তৌখি। নুমিৎসিবু অথৌবশিংগী নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্লি। ওগষ্ট ২৭ তনা চাক তাঙবগী ঈরাং হৌখি, নহারোল মহৈরোয় কয়া শিখি, অশোক-অপন নংখি। নুমিৎসিবু চাক্লাম খোঙচৎ হায়না ঙসি ফাওবা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অৱা-অনা থা অসিদা মীয়াম্না নুংঙাইখিবা নুমিৎ অমসু থাজদনা লাকখি মদুদি ওগষ্ট ২০ দা মণিপুরী লোলনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নিপানশুবা সেদ্যুলদা য়াওবা ফংখি। শাউনিং-নোক্লিং থা অমসু ওইরি। ইরোম চনু শর্মিলানা ওগষ্ট ৯ দা মহাক্না মতম শাংনা চরা হেল্লকপা ৱাশক অদু হন্দোক্তুনা লেপখি। অদু ওইজরগসু, হেন্না লমদমসিগী মীয়ামদা নুংঙাইখিবা অনৌবা পুৱারীদা লৈহৌরগদবা থৌরম অমদি মণিপুরগী ইকায় খুম্নরবা গভর্ণর সানমুগনাথন, ইকায় খুম্নরবা চীফ মিনিষ্টর, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমদি অতৈ মরু ওইবা মীওই কয়ানা চোন্না তিনবা ইম্ফালগী চন্দ্রকীর্ত্তি হোলদা ওগষ্ট ১২ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমদি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট হাংদোকখিবা থৌরম অসিনি।

ইকায় খুম্নজরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী শাংলবা চহী ১৫ রোমগী লৈঙাক অসিদা থবক কয়া তৌখ্রে, ৱাথোক-লাম্হোক, মীশি-মীনা থৌদোক কয়া লৈখ্রবসু মশক থোকপা তুং কোয়গদবা মরু ওইবা থবক কয়ামুকসু পায়খৎলম্বা ঐখোয়না উবা ফংবসি থাগৎনিংঙাই ওই। নুমিৎতুগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম খরা ফোঙদোকপীরম্বদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী মদুদি হাংদোক্লিবা মহৈলোইশঙ অনী অসি য়াম্না মরু ওইবা তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা তৌদবা য়াদবা অমা ওইনা লৌখৎখিবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসি ইন্দিয়াগী ওইনা মণিপুরনা অনীশুবনি হায়রি। অতৈ চাউরবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লিংখৎনদ্রিবা অমনি। করম্না লিংখৎপা ঙমখিবনো খল্লুবদা অঙকপা পোকই। মসিগীদমক চীফ মিনিষ্টর অমদি মহাক্কী মরী লৈনবা ষ্টাফশিংবু হন্না হন্না থাগৎচরি।



লৈঙাক্না চাওখ্রবা থবক অমখকসিদা নত্তনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট হায়বা অমসু হাংদোকপীরি। ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট লিংখৎপগী মতাংসিমদি নুমিৎতুদা চীফ মিনিষ্টরনা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমা তেন্না ফোঙদোকপীখি। ৱাফমসি ঐনা য়াম্না মরু ওইনা লৌজখি। মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, কলচর য়ুনিভর্সিটি অমদি ফিল্ম ইন্সটিট্যুট লিংখৎকনি হায়বসি য়াম্না মরু ওই। লৈফমসু থোকই। লৈফম থোকপা অহুমসিগী মনুংদা ফিল্ম ইন্সটিট্যুটকী মতাংসিমদি অরুনাচল প্রদেশতা পুখ্রে হায়। মসি পোলিটিক্সকী অখুবা মিৎয়েংদা পুখিব্রা হায়না ঙাঙনখি। অদুবু নুংঙাইখিদবা পেন্দবা অমা লৈবদগী ইকায় খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা লৈঙাক্না লমদমসিদা ফিল্ম ইন্সটিট্যুট থমদবা য়াদে, মখোয়না লিংখৎপীদ্রবসু লিংখৎকনি হায়না হোৎনবীখিবা শিংনখিবা অদুগী মহয় ফংবা অসিনি লুম্না লৌজরিবসি। ৱাফমসি চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী ৱাহৈদা মীয়াম মাঙদা ফোঙদোকখি। ৱাফম অসি মণিপুরদা ফিল্ম তৌরিবশিংনা খঙনা মখা তানা থবক লৌখৎফম থোকপনি। অদুবু মণিপুরী ফিল্মগী মরাইবক্তি নোংমা নোংমগী হন্থবা থাক্তা কুমথরক্লি। সিনেমা হোলশিং লৈরকত্রি, থোঙ লোনশিন্নরক্লি, মসিনা কমদৌবা তাবা? লমদমসিদা ফিল্ম ইন্সটিট্যুট হাংলগা ঐখোয়গী মণিপুরী ফিল্ম কনবা ঙমগদৌরিব্রা? লমদমসিদা সিনেমা শিথরক্লিবসি করিগীনো হায়বসি ফিল্ম তৌবীরিবশিংনা খন্থফম থোকই। ফিল্ম ইন্সটিট্যুট অসিদা ঐখোয়গী মীওইশিং তমগদবা মান্দে মরমদি হান্না লোয়না হৈদুনা লৈরবগুম তৌরি। তম্বীরদ্রগদি ৱানা চীফ মিনিষ্টরনা হাংদোকপীরিবা ফিল্ম ইন্সটিট্যুট অসিসু সিনেমা হোল মুৎখিবগুম অদুমক মুৎখিবসু য়াই। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমদি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট হাংদোকপগী চীং লেম্লবা কলচরগী লমদা খঙ হৈরবা অহল লমন, ওজা গুরু কয়ানা চোন্না তিল্লবা থৌরম অদু নীংথিনা ফম্বাক লৈতেংলবা চন্দ্রকীর্ত্তি হোলদা নাৎকী চৎনবী পাদম লাক্তুনা হৌদোকখি। ইকায় খুম্নজরিবা মীথুংলেনশিং কোকয়েৎ লৈতেংখি, চৌক্রিদা ফমহনবগী মহুৎতা কৌনা ফক মথক্তা ফিরাংজি অঙাংবা থাদুনা ফমহনখি। পাংনা থোক্তবা থৌরম ওইবনা চীং লেম্না কৌনা ফম মথক্তা কুইনা ফম্বা ঙমদবগী মতৌ উখি। মরু ওইনা ইকায় খুম্নজরবা মণিপুরগী গভর্ণর য়াম্না ৱানা ফমখি। ষণ শাদুনা হৌগৎনখি। মসিগুম্বা চৎনবীসি খরা তোয়না তৌবা চুমগনি। তোয়না তৌরগদি হৈনরকখিগনি, ফজবা অমদি উবা ঙম্মী।

হৌদোকপা নুমিৎ, ফম্নাইবশিংনা চঙলকপদা পেনা খোংদুনা ওকপীবা, উচান মৈরা চুখৎলকপদা মোইবুং খোংলকপা মখা তাবদা মীতৈ পুং অমদি চীংগী অহৌবা পুংজাও থিন্দুনা য়াইফ মপাউ পীখিবা ফজরবা মপূং ফারবা প্রলোগ অমগুম ওইনা ফাওখি। তু চুংখি, কপনীংখি, হরাউবনা মিৎতা পিগী ঈরাং চেনখি। ফজরবা থৌরম অসিদা মরিং-মরাংবা হৌরকপসি ইকায়খুম্নজরবা মণিপুরগী গভর্ণরনা মহাক্কী ৱারোল থম্লকপা মতমদগীদি ক্লাইমেক্স হন্থরকখি। মণিপুরগী গভর্ণরদা ৱাহং কয়া হংনীংলকখি। মহাক্না ঐখোয় লমদমসিগী মীয়ামসি করি ওইনা উবগে? নুমিৎতুগী তিল্লিবা কলচরগী, নাৎকী লমদা খঙ-হৈরবা অহল-লমন, ওজা-গুরু, ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল কয়া তিল্লিবসি করি ওইনা লৌবগে হায়বসিনি। মসিগী মখা হেক তারকপদা মণিপুরী ফিল্মগী ফিল্ম আর্টিষ্ট খরনা উৎখিবা কুম্দো মতৌ অদুনা করিনো? মণিপুরগী গভর্ণরনা ঙাঙখিবদুগা ফিল্মগী মীওইশিংনা উৎখিবদুগা অনী অদুনা চীং লেম্লবা ফঙ্কসন অদু মতিক-ময়াই খঙহন হন্থখি। ইনভাইট ফংদুনা লাকখিবা ঐখোয় চমম্নখি। ইনভাইটেসন্দা য়াওদবা প্রোগ্রাম ফিল্মগী আর্টিষ্ট খরা অদুনা নম্ফুদা উৎলকখি। থৌরম অদু অৱাংবা য়ুনিভর্সিটি থাক্তা হাংদোকপা কলচর অমদি ফিল্মগী শঙকাবগী থৌরমনি হায়বা মখোয় খঙদবগুম তৌই। স্কুলগী অমদি লৈকায়গী শঙ কাবগী থৌরম মালহনখিবসি লাইবক থিবনি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরী সিনেমাদা চৎনরিবা, উৎলিবা ফিল্মগী মতৌ অদুমক চীং লেম্লবা থৌরম অদুদসু উৎথোকচরকখি। মমি অমদি অশেংবা অনীমক চপ মান্নরি হায়বসি আর্টিষ্টশিংদা খঙহন্নিংই। শক্লাইরবা সেনিয়র আর্টিষ্ট খরসু কুম্দো অদুদা য়াওশিল্লি। খরা খন্থবীরম্লগদি ফজরমগনি। আর্টিষ্টশিংগী অহল-লমনশিংনা হৌগৎলক্লিবা ফিল্মগী নহারোলশিংবু অফবা মায়কৈদা লমজিংবীয়ু। অফ-ফত্ত তান্নবীয়ু।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অমদি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট হাংদোকপগী থৌরম হৌদোকপগী প্রলোগতি নীংথিজখি, লোইশিল্লকপগী ইপিলোগতি মশক থিহনখি। মতুংদি চেকশিলহন্নিংই।

# এজিটেসন্না দিমান্দশিংগী মোটো ওইরকপা

— কে আর সিংহ —

***ইবিল*** মোঙ্গরশিংগী পাউতাক্তি য়োংগী তাৎ (মোংকি ত্রিক) তৌবখক্তনা অফবা মহয় পুরকপা ঙমগনি হায়না থাজহনবনি। মণিপুরগী পোলিটিকেল সোসাইটিদি লান্না ওইরোইদবদা থাজহনবা থোইদোক্লা ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙনরবা ‘পোলিটিকেল প্রোমিজ’ হায়বসিনা সমুদ্রগী ইরোলনুংদা পুথদুনা থম্বীখ্রে। ঙসি মণিপুরদা লৈতাদ্রবা ফীভম ষ্ট্রাইক, ডেমোন্সত্রেসন, ভাইওলেন্স অমদি নন ভাইওলেন্স এজিটেসন মখল মখা কয়া অসি ওইরক্লবগী মরমদি ‘পোলিটিকেল প্রোমিজ’ হায়বা অসিনা পুথোকপা মহয়নি। মণিপুরদা থোক্লিবা মশীং লাকঙমদ্রবা বন্দ অমগী মতুংদা ব্লোকেদ, এজিটেসন অমগী লোইরকপদা ষ্ট্রাইক পূম্নমক অসি ঐখোয় মীয়াম্না ইকায়খুম্নরিবা মিনিষ্টরশিং অমদি পোলিটিসিয়নশিং অসিনা চেবাউ থাদুনা কৌবা ঙাক্তনি হায়বসিনি। অদুবু এজিটেসন তৌরিবা পূম্নমক অসি ঈং তপ্লা ফীভম অমা পুরক্লবগী পান্থে হায়বা তারবদি ‘প্রোমিজ’ হায়বসি য়াওহন্দনা ‘হাইলি পোলিটিকেল’ ওইরবখক্তদা ওইথোকপা লৈগনি হায়না থাজে।

মণিপুরদা চৎথরিবা এজিটেসন নৎত্রগা ষ্ট্রাইক মখল খুদিংমক অসি লায়েংনবা অনৌবা মখলগী চৎনবী অমা হায়বা তারবদি ‘পুলিস এক্সন’ হায়বসিনা কম্মন ফেনোমেনন অমা ওইরে। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা ঐখোয়গী পুলিসশিং অনীশুবা পোজিসন্দা লৈত্রে হেন্না ৱাংখৎখ্রে। অদুম ওইনমক অসিগুম্বা ওইরোইদবদা প্রোমিজ তৌবা হায়বসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী থাক ৱাংনা ইকায়খুম্নরিবা মিনিষ্টরশিং ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিনা মখোয়গী ওইনা তাংলবা মরন মথুমশিংনি হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌশিল্লি। করিগুম্বা মখোয়না মখোয়গী মায়োক্নরিবা লম্বাশিং অসিদা য়াম্না নেম্বা মচৎ অসি তৌদ্রবদি মখোয় অসি পূম্নমক্কী সুপরিয়র ওইদুনা লৈরগদবনি। করিগুম্বা প্রোমিজশিং অসি ঙাক্লবা শুপ্নতগী অরানবা ওইদবা প্রোমিজ ওইহন্দ্রবদি।

নোংমগী য়াওদ্রবা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইনা লৈরক্লবা এজিটেসনশিং অসি ৱাকৎলুবা ব্লেম তৌদুনা খুদোম্বী থিন্দুনা হায়রুবদি ঙম্বা নত্তে।

এজিটেসন অমগী মথংদা এজিটেসন অমা লাকপসিনা চৎনবী ওইবা মতম অসিদা মণিপুরদদি প্রোটেষ্ট অমদি ষ্ট্রাইক য়াওদ্রবদি অপান্বা ৱাকৎ অমত্তা মপুং ফানা ফংদ্রবনিনা চৎনবী অসিনা মরা তাশিল্লকপগুম তৌরক্লি। অসুম্না চৎথরকপগী মহয়না ঙসিদি এজিটেসন হায়বসিনা দিমান্দশিংগী মোটো ওইরক্লে। অদুবু ঐখোয়না খ্বাইদগী ঙক্লিবদি ঐখোয়গী এম এল এ, মিনিষ্টরশিং অসিনা তুমিন্না লৈথোকপা, লৈশিনবা ঙল্লিবা অসিনি। মখোয়গী ওইবা নৎত্রগা মীয়ামগী অপাম্বসিদা য়াওশিন্দুনা চৎমিন্নবা মথৌ তাই নৎত্রবদি মখোয় অসি নোংমা নোংমগী মীয়ামদগী লাপথোকখিবা নত্তনা উপাই অমা লৈরক্লোই।

ডেমোক্রেসি হায়বসিদি এজিটেসনগী ময়ূমনি। তশেংনা হায়রবদি মসিনা এজিটেসন/ষ্ট্রাইক তৌবগী অয়াবা পীরিবনি। ঐখোয়না মসিগী খুদোংচাবদি মাঙহনবা য়াদে। করিগুম্বা মসিনা এজিটেসনগী মোটো ওইরবদি (অখন্ননা এজিটেসন অসি ওপোজিসনশিং নৎত্রগা মিনিষ্টরশিংনা য়ুখল মরুমদগী এজিটেসন পুথোকই) এজিটেসন চঙশিল্লিবা পূম্নমক অসিদি ডেমোক্রেসিগী চেম্পিয়ননি হায়বদা লাল্লরোই। ডেমোক্রেসিবু পামজবা ঙাওজবশিংনা শোয়দনা মতেং পাঙফম থোকই।

ঐখোয়গী লায়রবা লমদম অসিদা ষ্ট্রাইক/এজিটেসননা পুক্কে থল্লে, ঐখোয়গী পোলিটিকেল লীদরশিং অসিনা প্রোমিজ মেক্কর নৎত্রগা এগ্রিমেন্ট ওরিয়েন্টেদ ওইরিঙৈদা ওইবা ওইদবা খঙদে, প্রোমিজ হায়বসিনা পোলিটিকেলগী স্মোক স্ক্রিন ওইহন্দুনা ষ্ট্রাইক তৌরিবা, এজিটেসন তৌরিবশিং লানফমদা পংথহন্দুনা থম্বা ঙম্মি।

তশেংনা হায়রবদি হৈ শিংবা মহৈ অমা ওইরবা এজিটেসনিস চাম্মরশিং মিনিষ্টরশিংনা হৈ শিংনা ইস্নেক চাম্মর ওইদুনা ইস্নেকশিং পংথহন্দুনা জগোয় শাহনবগুম চৎথরি। অসুম্না পূম্নমক অসি প্রোমিজ নৎত্রগা চারম্মিং হায়বসিনা মরী লৈনহন্দুনা থম্মী। মকোক্তা গান্ধী তুপি উপশিন্দুনা ইকায়বা খঙদ্রবা অসিগুম্বা অচুম্বা ৱায়েল য়াওদ্রবা থৌওংশিং অসি চৎথদুনা উপাই থিরি। অসুক য়াম্না অঙকপা ফংনা মোৎলবা থৌওংশিং অসি হঞ্জিন-হঞ্জিন ঐখোয়গী মিনিষ্টরশিংনা চৎথদুনা লৈরে। মসিনা তাকপদি অসিগুম্বা ওইদবা মপুং ফাবা ঙমদ্রবা প্রোমিজশিং অসি মতম খরা ইংথনবা মিনম্বা পিছ প্রোসেস চথদুনা মতম চুপ্পগী ওইবা ৱারোইশিন পুরকপগী মহুত্তা তৌবনি হায়বসি ককনিংঙাই লৈত্রবা ওইরে। মসি পূম্নমক অসিদি মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা ওইবতা নত্তনা মতম চুপ্পগী মায়পাকপা মিনিষ্টর অমদগী মিনিষ্টর অমা ওইবা ঙম্নবনি হায়বদু ময়েক শেংহল্লে। ঐখোয়গী মিনিষ্টরশিং অসিবু ঐখোয়গী তুংগী য়াইফনবা অফবা থবক তৌবা অদু শুংওই ওইবা ঙল্লরোইদবজাৎলা? মখোয়গী পুকচেল শেংবা মতৌ অদুদি মখোয়না তৌরিবা ময়ামশিংনা তাকচরে, ৱাহং হংনিংঙাই ওইদ্রে। মখোয়গী পুকচেল শেংবা মতৌ অসিদগী ঐখোয়সু পড়া অমা তমদুনা খাংবা কনবা অমদি মপূং ফাদ্রবা মচৎ অমা ওইনা লৈনবা পড়া তম্বা মথৌ তারি।

মথক্তা নৈনজরিবশিং অসিনা অমরোমদা হায়বা তারবদি শেনয়েক (কোইন) অমগী মমায় অমনি। অতোপ্পা নাকল অমগী মমাই হায়বা তারবদি পোলিটিকেল ওরিয়েন্টেদ (ওনলি পার্টিকুলর ৱানস) ওইবা ষ্ট্রাইকরশিংনি হায়বসিনি। মখোয়দি মতৌ করম্না করম্বা মতমদা মখোয়গী পোলিটিকেল্লি গাইদেদ ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিং অসি শীজিন্নগদগে হায়বা নিংথিনা খঙবা কাঙলুপনি। মখোয়না পাল্লিবা পান্দমদু ফংনবা পান্দমফম চানা মখোয়গী মল্টিপল ৱারহেদ কুল্লবা অকনবা শাফুগী এজিটেসনশিং তৌই। মসিনা থাজবা য়াবসি শোয়দনা মখোয়না মায়পাকপা পুরক্লগনি হায়জবসিনি। অদুবু অশেংবা ৱিন্নর অদুদি লৈঙাক্লোই লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা নৎত্রগা অমনা হেক্তা ওইখি। অসিগুম্বা পোলিটিকেল গেম অমগী লানফমদা থৌরি চিংনবা অমগুম চৎথরিবা অসি য়েংবা তারি।

খ্বাইদগী ফবা অমা মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা পুথোকচবা তারবদি পোপুলর দেমোন্সত্রেসন নৎত্রগা এজিটেসন অমা পাঙথোক্তুনা অনৌবা পোলিটিকেল সিষ্টেম হায়বদি নন মণিপুরী চীফ মিনিষ্টর অমা দিল্লিনা মপান লৈবাক্তগী হাপহনবা অসিনা মীয়াম্না মশাগী অপাম্বা অনিংবা মণিপুরগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা খল্লুবদগী হেন্না চুন্নরবা ওইরগনি। মরমদি হৌজিক ওইরক্লিবা পোলিটিকেল দিভলপমেন্ট কয়াশিং অসি য়েংলুরগদি।

হৌজিক চৎথরিবা এজিটেসন ময়াম অসি ঐখোয় মীয়াম লোয়না কন্সিয়স ওইরে অদুনা মখা তানা কনভেনস্নেল এজিটেসনশিংদা থৱায় য়াওনররোই হায়বসি ঐগী থাজবনি। মসি পূম্নমক ঈশ্বরনা ঐখোয়গী লৈবাক্তা অতোপ্পশিংনা পান্নবা পীরম্বা মহৈগী দষা অদুনি। মরমদি হংগৎনা মখোয়গী মথক্তা অচুম অরান হায়জবা ঙমদবা মতম চুপ্পদা কোক নোন্দুনা লৈরগা ফংবা থাগৎ ৱাহৈশিং অদুগীদমক। খোং তেক্তুনা চৎপা ঙমদ্রবা অমগুম, ৱা ঙাঙবা ঙমদ্রবা লোম্হোক্ত্রবা অমগুম লৈরিবা ঐখোয়গী লৈপাক্কী লাইবক্তি মপু মাগী মফমদা কনবিনবা হায়জগদৌবা অদুখক্তা ঙাইরে অচুম্বা জষ্টিশ হ্যুমেনিটিদগী হেন্দনা।

অরোইবদা, হংনিংলিবদি ঐখোয় অসি মপুনা পীজবা অরোইবা চাকথাক ফংজরিবা কেমেল অমা ওইরিবা করিগীনো? নৎত্রগা ঐখোয় অসি মপুনা চানবিনবা থৌজানবীনবতা খঞ্জরবা মনমদা পোৎলুম পূম্নমক থাঙ্গৎতুনা চৎলিবা অচৌবা শাজাও (বিস) অদু ওইদুনা লৈরিবনো? ঐখোয়দি মপুগী য়াইফনবগীদমক ঐখোয়গী থৱায় পূম্নমক কথোকপনা হেন্না ফরবনি হায়বসিনি। খাঙবা কনবা, ঈংবা তপ্পগী মচৎ কায়দনবা তমদুনা ঐখোয়গী পন্থুং ফংনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী মোটো ওইরসি। লমফৈ চৎখিদনা অচুম্বা লম্বী চৎপা ঙম্নবা পূক্নিং লৌশিং পূম্নমক খোমজিন তাশিনবা মথৌ তাই হায়বসিনি। মশানা মশাবু মপাঙ্গল শোন্থহন্দুনা অমুক্কসু লেংঙম শাঙমদ্রবা ফীভম অমা ওইরক্লবা চঙশিনবা ঈহৌ ওইনা থোক্লিবনিনা অনৌবা লম্বী অমা পুথোক্লবা শেম শারসি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## কংলৈপাক্কী তুংগী আশা কদোমদনো

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ঐখোয়গী** কংলৈপাক লমদম অসিদা ঙসিমক থেংনরিবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম লোইশিনবা ঙমদনা লৈরিবা, হয়েংদি করি থোক্লগবা চিংনদুনা লৈনবা থৌদোক ময়ামগী মনুংদা অমফাওবা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরিবনি তুংগী আশা পূম্নমক মাঙখ্রবা, লম্বী খুদিং ককখ্রবা শারং মনুংগী চেক্লাগুম খোংদা য়োৎহ্লিং থাংদুনা থম্বগা মান্নরবা লমদম অসিবু ‘লোর্দ ইরৱিননা স্বিটজরলেন্দ ওফ ইন্দিয়া’, নেহরুনা অমুক জ্বেলস ওফ ইন্দিয়া করম্না থোল্লম্লিবনো? মসিদি দি মোষ্ট ক্রাইসিস ওফ দি ৱর্ডি হায়বনা হেন্না পকচগদবা মাল্লি।

ঙসিগী মণিপুর লোইশঙ খুদিং লৈপাক মীয়ামগী থবক থৌরম কয়া শুবীগনি হায়দুনা তলব চাওনা চাওনা ফংলিবা, তরুকশুবা পেসু ফংলবা সেন্টরদা তরেৎশুবা পে রিভাইজ লাকখ্রবদা হৌজিক হৌজিক মখোয়সু পীয়ু হায়দুনা তাল্লক্লগনি। অদুগা পুং কয়াদা ওফিস কাবা অদুগা পুং কয়াদা কুম্বা, ওফিস মনুংদা করি করি থবক শুরিবা, ফাইল অমা চৎনবা হোৎনবদা থাখায় অমা চঙবা অদুসু পৈশা পীদ্রবদি য়াদবা, ফাইল মচি লেংদবা, এদেদ ওজাশিংগী য়ু সি থাবদা পৈশা পীদ্রবদি খূৎয়েক পীবিদবা, ওফিসনা মশানা খূৎয়েক পীরগা শুংপন পন্দনা থাফম থোকপা, ফনা তানফম থোকপা খুদিং মখোয়গী মথৌ ওইগদবা মসিগীদমক তলব চাওনা ফংলিবা অসিবু তলবকী মথক্তা পৈশা পীয়ু, পীয়ু য়াদ্রগা ফাইল মচি লেংদবা অসিবু করি লমদমনো? করম্বা মখলগী লৈবাক্লো? এসোসিয়েসন হায়বসিদি চুম্নগী হংবা মতুং ইননবা খক্কী ৱানি। মখোয়না খূৎয়েক পীদুনা থাবা ঙম্বসু নত্তে। লোইশঙ খুদিং মীয়ামগীদমক লিংবনি, লৈত-লায়র শেম্হোক লৈজদবা মীয়াম্না থবক অমা তৌবিয়ু হায়জরুবদা পৈশা পীয়ু, খরা থাদরক্লো, থবক লোইশিল্লগে অসিবু করি ওফিসকী থবক খুত্তৌনো? মসিরা মণিপুরগী লৈবাক মণিপুর।

অতোপ্পা ষ্টেটতা অসিগুম্বা চৎনবী অসি শুকলৈ লৈতে। ওফিস মনুংদা নুমিৎ নীনি শুনা ফাইল পন্দে। মণিপুরগী নুপী-নুপা অপূম্বা থবক শুবগী মীশিংগী শরুক শুদবা মীশিংনা য়াম্বগুম তৌই। মীরেম খ্বাইদগী হেন্না লৈবসি লমদম অসিনা হেনগদবা মাল্লি। অতোপ্পা লমদা অমগা অমগা মিনিট মঙা উনদুনা ৱা ঙাঙনবগী মতম লৈতে। মতমগী মমল য়াম্না লৈবগুম তৌই। ইস্কোল কোয়দুনা মনা-মশিং কয়া পুথোক্লিবা অসি মীওই কয়ানা চাগদবগী ঙাইরিবা, ঙা ফার্মদা মীওই কয়া কুমদুনা ঙাগী পোত্থোক কয়া য়াম্না পুথোক্তুনা মণিপুরগী ঙা কয়া মপান লৈবাক্তা য়ৌখিদুনা মপান্দগী পৈশা কয়া মণিপুর য়ৌরক্লবা, ঐখোয়গী মীয়াম চাগদবগী ঙাইরিবা অসি ফাওবা কোন্নদে। ওন্না তৈনবদা মপান্দগী ঙা তোন কয়াগী মীপান তাংলিবনি।

খূৎশা হৈবগী থবক্তা চাওখৎতুনা, করম করম্বা পোৎ পুথোক্তুনা মণিপুরগী শেনমিৎলোন্দা ফগৎহন্নবা, হেন্দলুম মমিং চৎখ্রবা লৈবাক পূম্নমক্লা পাম্নবা অসি মীওই কয়ানা থবক শুদুনা কয়া য়াম্বা পোৎ পুথোক্তুনা মালেমগী লৈবাক কয়াগী মমাঙদা কয়াম উৎপা ঙম্লবা? লৌ উরগা পুথোকপা ফৌগী পোৎথোক ঐখোয়গী কোন্নবগী মথক্তা মপান্দা কয়া য়াম্না থাদোক্তুনা মপানগী পৈশা কয়া য়াম্না ঐখোয়গী লৌমীনা ফংলবা, মপানগী চেঙদি মণিপুরদা গাড়ী লোদ লোদ থা খুদিংগী লাকই, অদুদসু নত্তে হৱাই-চেঙৱাই, থুম-মোরোক, চিনি পূম্নমক অসি মপান্দগী লাকপা ঙাক্তনি। থা খুদিংগী থাউগী গাড়ী মপোৎ মপোৎ পুশিল্লকপা অসিদা চীংগী ইরাং মনিল হাইফেৎ ফংবদা থাউগী পম্পতা মিটর চাম্মা-চনি শাংনা অহিংদগী মীয়ামগী পরেং নুমিৎ চুপ্পা অমা, পার্মিট পায়বা পায়দবা খঙদে মখোঙ অনী পানবদগী হৌরগা মখোঙ মরি পানবা ফাওবা মথৌ তাবা হায়বা থমদনা গাড়ী মশীং য়াম্বসি লমদম অসিনা হেনগদবা মাল্লি। থবক্কী হৈনবী লৈতবগীরা, অতনবা ঙাক্তা লৈবগীরা খোঙউপ তুবা, শেম্বা-শাবা, পোৎ-চৈ থাংবীনবা, য়ুম-কৈ শাবদা, লৈকায় লৈকায় কোয়না চৎতুনা সিলিন্দর শেম্বা, ইষ্টোব শেম্বা, কুক্কর শেম্বা মপানগী মীনা লোইনা তৌই, ঐখোয়দি হৈতবগীরা? ইরমদমগী লৌফম কয়াসু মাঙলি, মণিপুরগী লোক্তাক্কী মৈ ঐখোয়গী লৈঙাক্লা পৈশা তিংনা লৈরগা ঐখোয়না থাল্লিবনি। পৈশা পূম্নমক মপান্দা লোইনা চৎখিবা ঙাক্তনি। মণিপুরদা ইন্দষ্ট্রিজ কয়া, ফেক্টরি কয়া হৌদোকখ্রে মদুদা লুপা খাওজাউ খাওজাউ লোইশিনখ্রে। করম করম্বা মফমদা মণিপুরগী মীয়ামদা থবক পীদুনা কানবা কয়াম ফংলবগে? মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ময়াদা শঙজাও অমা লৈরি। মীয়াম্না হায়নবদা য়াম তক্লবা ফেক্টরিনি হায়। চাওরাক্লা চহী ৮০-৯০ মুক শুরম্বা য়ারে। ঙসি ফাওবদা মথৌ তৌদনা মী চঙবা কিদুনা নাপি হৌজিন্দুনা লৈরি। মসিবু করিনো? মফমদুগা চানবা ওফিস অমা থম্বদা করি কায়বগে? মরম চাদবা পৈশা ময়াম অমা মাঙখ্রবনি।

লম্বী শেম্বা, কোয়লাস থাবা, থাবা লোইবগা কায়বা হৌরকপা, ডাক্তর শঙ শাবা (মীগী নৎত্রগা শাগী) চহী অনী শুদনা কিন্থবা, স্কুল শাবা, ফেন্সিং খাবা চহী ফাদনা উপনা নৎত্রগা লোংনা তুরকপা, লুপা ১০০ গী থবক শুবদা লুপা ৪০ না মীৎনা উবা, লুপা ৬০ না লন্নাই মীওইগী ফুরিৎখাওদা চঙখিবা, অমুক্কা মদু শেম শানবা হোৎনবদা পৈশা অমুক কায়থোক্তুনা মীয়ামদা মতম কয়া মাঙহন্দুনা পীরিবা চৈথেং, থবক শুদনা লৌরিবা চীংগী থবক্কী শেনফমশিং পূম্নমক অসি ঐখোয় মীয়ামগী লননি হায়বসি খঙগদবনি। থবক ফজনা তৌরিবা এদেদ ওজাশিংগী ৬ শুবা পে পীয়ু হায়বদনা পৈশা কোন্নদে, সেন্টরনা পৈশা পীক্লা পীরকই মহায়বা, অশোমদা নাকল অমরোমদা অরেম্বা ময়াম অমা মাঙখ্রিবা মসিদি কৈদৌরবা মসিনা কমদৌবা? মতম চানা লোইশিনবা য়াবা থবক কয়া চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লোইশিন্দবা, লোইশিনবা য়াবা ৱাথোক কয়া তোক্তুনা মীশি-মীনা য়াওহন্দুনা মদুগী এক্স গ্রেসিয়া ময়াম অমা পীদুনা তিংলিবা অরেম্বা শেল হীরম খুদিংদা মণিপুরগী শেনফম কয়া তিংহল্লে। অদুগী মথক্তা চীংগী ইচিন ইনাওশিংগী খৃষ্টান লাইনীং, হিন্দুগী, মুসলিমশিংগী, ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা চৎলম্বা পাখংবা, সনামহী, ইমা লৈমরেল পূম্নমক হুন্দোক্তুনা মোরেগী লাই ওইনা ফাওরকপা, খোংজোমগী লৌশিদা ফাওরকপা হি, ফুবালাগী লাইরেন, ককৱাগী ইথৌ, শগাংগী ইথৌ, ৱাংখৈগী পন্থৌ, ত্রোংলাওবীগী লাই অসিগুম্বা লাইয়াম মচা মচা শাফোংলকপা অসি করম্বা মখলগী লাইনো, হৌজিক মখোয়শিং অদু কদাই চৎখ্রবগে? মীনা লাই ওনবা য়াগদৌবা মান্দে। মীনা লাইগী অফবা পাউজেল পীবদি কানবা ফংই। ইপা ইপুনা নীংনরম্বা লাইগী মথক্তা অনৌবা কয়াসিদি তোকপা ফরে। অতোপ্পা লমফৈ হুন্দোক্তুনা ঐখোয়গী ফীভম শেম্নবা থৌরাং পায়খৎপা মথৌ তারে। মণিপুর হৌজিক খরা খরা পুথদুনা ঙকশম য়ৌরে। মসিদগী ঐখোয় করম্না কনসিগে খন্নবা মতম ওইরে। লৈঙাক্লসু মীয়াম ৱারে হায়বসি খঙবীয়ু। নৎত্রবদি লমদম অসিগী কাচিন কোয়াদগী চিথবা লৈতনা মীয়াম হৌরক্তুনা পেন্দবা ময়াম অসিগীদমক সিবিল ৱার লাক্তুনা লৈবাক কাংখোং চাইরবা য়ানা লৈরে। পেন্দবা মশীং য়াম্লক্তুনা খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ লাল্লক্লবদি লৈবাক অসি করিনো অমা লাকপা শোয়ররোই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ*
*সেক্রেটরি*
*ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল*